হিরো আই লীগ ২০১৯-২০

# নেরোকাগী বৌবাকর দাইরাগী হেদ্দিংনা রিএল কাশ্মীরবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টতা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ২০১৯-২০গী ঙসি নেরোকাগী অহুমশুবা হোম মেচ ওইনা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবদা নেরোকাগী বৌবাকর দাইরাগী হেদ্দিংনা রিএল কাশ্মীরবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

পনবা য়াবদি, নেরোকা এফ সী মমাঙদা মেচ ৬ শান্নখিবদা মেচ অনী দ্রো চৎলগা মেচ অমা থোয়দুনা মেচ অহুম মায়থীরগা পোইন্ট ৫ ফংদুনা য়াম্না ফজদবা পোজিসন্দা লৈখি। ঙসিগী মেচ অসি থোইদবা য়াদবা য়াম্না মরু ওইবা মেচ অমা ওইখি। মেচ অসিদা নেরোকানা রিএল কাশ্মীরবু থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী ৬শুবদা লৈদুনা ফজবা ঙমখ্রে।

রিএল কাশ্মীরগী টিমনা মেচ ৫ শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাক্লগা মেচ অহুমনা দ্রো চৎলগা মেচ অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লৈখিবনি। অদুবু ঙসিগী মেচ অসি মায়থীদুনা পোইন্ট টেবলগী ১০শুবা পোজিসন্দা হন্থখ্রে।

মেচ অসি হৌরকপদা নেরোকা এফ সীনা বোল পোজিসন ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৮শুবা মিনট রোম নেরোকানা রিএল কাশ্মীরগী মায়োক্তা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকপনা ফ্রী কিক ৩ কাওবগী খুদোংচাবা ফংখি। অদুমকপু ফ্রী কিকশিং অদুপাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপদি ঙমখিদে। মখা তাবা মিনটতা টিম অনীমক মাঙজিল থানা মখোয় মখোয়গী টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা এটেকচখুনরকখি। শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা অরশাপ্রীটনা নেরোকাগী জিও সেকলেদা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রেরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

রিএল কাশ্মীরগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা এটেক চখুরকখি। অদুবু নেরোকাগী কিপর মার্ভিন দেবোন ফিলিপনা সেভ কয়া তৌদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। অহানবা হাফ লোইরমদাইদা নেরোকাগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা ভরুন জিকোনা খাইরকপা ফজরবা পাস অমা বৌবাকর সাইকানা কাওবদা গোল পোষ্টকী নাকলদা চৎখিদুনা পাঞ্জল চলহৌখিদে।

অনীশুবা হাফতা নেরোকা এফ সীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা প্রিতমনা ক্রোস তৌরকপা পাস অমা বৌবকর দাইরানা হেদ্দিং তৌদুনা নেরোকাগী একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মখা তাবা মিনটতা রিএল কাশ্মীর এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু নেরোকাগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী হোৎনজমল মহয়য়ানখিদে। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা নেরোকানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা নেরোকা এফ সীগী গোলকিপর মার্ভিন দিবোন ফিল্লিপসনা তাখি।

লুধিয়ানাগী গুরুনানক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা পঞ্জাব এফ সীগী হোম গ্রাউন্দগী মেচতা মোহন বগানগা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টিম অনীমক্না হেঞ্জিন্নবা য়াদনা শান্নখিবনা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি। মোহন বগানগী পাঞ্জল অদু সুভা ঘোশনা চনখি। অদুগা পঞ্জাব এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা দিপান্দা দিকানা চনখি।

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# এম য়ু অমসুং কে এম সী ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০দগী খুমন প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা চথুরিবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইনভাইটেশ্নল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা এন এস এ এনা এন এস য়ু বিবু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা এম য়ুনা কে এম সীবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচকী অহানবা গ্রাউন্দদা এন এস য়ু এ অমসুং এন এস য়ু বি লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপদা টিম অনীমক মাঙজিল থানা শান্নরকখি। টিম অনীমক ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেক চখুরকখি। এটেকশিং অদু অহানবা হাফ ফাওবদা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা এন এস য়ু এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা এন এস য়ু এগী শান্নরোয় খাগেম্বা জর্সি নম্বর ৬না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। শুপ্নগী মিনট ২ খক কান্নরগা মেচকী ৫১শুবা মিনটতা টিমমেট চীংলেম্বা জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থরিবা এন এস য়ু বিগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু এন এস য়ু এগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা কান্নবা ফংখিদে। মেচ অসি লোইশিল্লকপদা এন এস য়ু এনা এন এস য়ু বিবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরম্লবা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে এম সী অমসুং এম য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখি। অদুবু এম য়ুনা ফজবা হেল্লকপদগী মেচকী ৩০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় হেলাঙ জর্সি নম্বর ১০না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এম সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা কে এম সীনা ইক্কেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় য়াইফবা জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল চন্দুনা ১-১দা লৈহনখি। মখা তাবা মিনটশিংদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা এম য়ুগী মায়কৈদগী অশোককুমার, জোন হাওকিপ, হেলেনা, জষ্টিস ঙামিনহাওনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা কে এম সীগী মায়কৈদগী টি ঐচ য়াইফবা, অবাশ, সোমোকান্তঅমদি সোমেসনা পাঞ্জল চনখি। মেচ অসিদা এম য়ুনা কে এম সীবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। ফাইনেলদা এম য়ু অমসুং কে এম সী থেংনরগনি।

# ফর্ষ্ট চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস মীট ২০২০ পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফর্ষ্ট চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস (থাঙ-তা/চৈবি) মীট ২০২০ থা অসিগী ১৮দগী ২২ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবদা ৱাই এ এসকী দিরেক্টর কে সুন্দরনা হায়খিবদা, মার্সিএল আর্টস মীট অসি ষ্টেট লীগকী থাক্তা পাঙথোক্কনি। মার্সিএল আর্টস মীট অসিদা থাঙ-তা মশান্না মীং ওইনা পল্লবদা সরিৎ-সরাক, থাঙ চুঙ্গোই য়ান্নবা, থাঙ-তা চাইনবা, তা খৌশাবা, লৈতেং হাইবা, শাজেন কাঙলোন, চৈবী য়েন্দম্নবা, থাঙ চুঙ্গোই মোরেল হায়রিবা মশান্নশিংদা কম্পিটিসন তৌগনি। মার্সিএল আর্টস মীট অসিদা ইন্সটিট্যুসন, ক্লব ৪৩দগী শান্নরোয় ১৫০০ রোম্না শরুক য়াগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, শরুক য়াবা শান্নরোয় অমসুং ওফিসল খুদিংমক ফুদ্দিং, লোদিং অমসুং টি এ দিপার্টমেন্টকী সাইদতগী পীগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মার্সিএল আর্টস মীট অসি চাউরাক্লা লাক্ষ ১৫ লোম চংগনি হায়না পানরি। হেন্না শরুক য়ানবগীদমক দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী শরুক য়াবা শান্নরোয় খুদিংদা শেলগী মতেং অমসুং কিটস পীগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা য়াসকী জোইন্টদিরেক্টর এল জয়েন্ত, য়াসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর জুবোল, অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম, ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি হেমজিৎ অমদি শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ফর্ষ্ট মোইরাংথেম জোধিসচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল ২০১৯-২০

# বি বি য়ু বরাক সর্কলনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ৩দগী টিম ১৬না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ফর্ষ্ট মোইরাংথেম জোধিসচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল (নোক আউট) মেচতা বি বি য়ু বরাক সর্কলনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। হয়েং ক্বার্টর ফাইনেল লীগকী অহানবা মেচতা সিঙ্গরবোন্দ এফ এ অমদি জে বি এফ সী গিনগাল শান্নরগনি।

ঙসিগী মেচ অসিদা বি বি য়ু বরাক সর্কলনা টোস ঙমদুনা বোল কাওবা হৌখি অদুগা ঈচেল ক্লব দিবোংনা মায়কৈ খনখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ মতুংদা বি বি য়ু বরাক সর্কলগী শান্নরোয় জাইরেম জর্সি নম্বর ৭না ৬১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা বি বি য়ুগী একাউন্ট হাংদোকখি। মসিগী মতুং ঈচেল ক্লব দিবোংগী শান্নরোয় জানিশ জর্সি নম্বর ৬না ৭২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক ১-১দা মান্নদুনা লৈনরিঙৈ মরক্তা বি বি য়ুগী শান্নরোয় রামদিলজীল জর্সি নম্বর ১৭না লোইরমদাই মীকুপ ৭৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বি বি য়ু বরাক সর্কলনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অসিদা বি বি য়ু বরাক সর্কলগী শান্নরোয় ঙুরা জর্সি নম্বর ১৩বু ৬৮শুবা মিনট অমদি মোএ জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা রেফরিনা অনসপোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি। ঙসিগী মেচ অসিদা কে ঐচ নিলকমলনা সেন্টর রেফরি, সাটসুং অমদি ও বিশেশ্বরনা এ ৱান অমদি এ টু লোয়ননা এল অনিলনা ফোর্থ রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস

# মণিপুর সাইক্লিংনা পূন্না মেদল ৭ লৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): অসামনা য়ূম্ফু ওইদুনা চথুরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২০গী সাইক্লিং মশান্নদা মণিপুরনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৭ লৌবা ঙমখ্রে।

মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি য়ু-২১ বোইজকী কিলোমিটর ২০গী স্ক্রেচ রেসতা এলাংবম লনচেনবনা গোল্ড, য়ু-১৭ বোইজকী কিলোমিটর ৭.৫কী স্ক্রেচ রেসতা বিরজিৎ য়ূম্নাম্না গোল্ড, য়ু-১৭ বোইজকী মিটর ৫০০গী টাইম ত্রায়লদা খ্বাইরাকপম রাহুলনা সিলভর, য়ু-১৭ গর্লসকী মিটর ৫০০গী টাইম ত্রায়ল ইভেন্টতা কে ঐচ প্রীনানা ব্রোঞ্জ, য়ু-১৭ বোইজকী ৩ লাপ টিম স্প্রিন্টতা বিরজিৎ, রাহুল, বিশাননা গোল্ড, য়ু-১৭ গর্লসকী টু লেপস টিম স্প্রিন্ট ইভেন্টতা কে ঐচ প্রেমা, ঐচ প্রেমিকা চনুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

# ফর্ষ্ট মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএশন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৭তগী ফেব্রুৱারী ২ ফাওবা ফর্ষ্ট মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেশ্নল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০ মেন এন্দ ৱিমেন ইম্ফালগী খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ফর্ষ্ট সব জুনিয়র, ফষ্ট জুনিয়র অমদি ফষ্ট (য়ুথ এন্দ এলিট) ওপন হায়বা কেটেগোরিশিং লৈগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী এন্ত্রি ফীনা টিম অমদা লুপা ২০০০ ওইগনি। এন্ত্রি তৌবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২০ ওইগনি। ৱেট-ইন অমসুং দ্রোনা থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা তৌগনি। ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া ওইনা বোক্সর খুদিংমক মণিপুরদা পোকপা ওইগদবনি। ৱেট ওনবা অমসুং মেদিকেল এগজামিনেসন্দা বোক্সর খুদিংমক ওরিজিনেল বর্থ সার্টিফিকেট, অধার কার্দ পুথোক্কদবনি। এন্ত্রি ফী পেদ তৌদবা টিম শরু কয়াবা য়ারোই। বোক্সরগী মমিং অমসুং দোক্যুমেন্ট কন্সর্ন ওথোরিটিনা সাইন তৌবগা লোয়ননা সিল নমদ্রবদি এন্ত্রি এক্সেপ্ট তৌরোই। চেম্পিয়নশিপ অসিগী সব জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) কেটেগোরিগী ওইনা কুমজা ২০০৮দা পোকপগী ওইনা ৱেট কেটেগোরি ৩১, ৩৩, ৩৫, ৩৭, ৪০, ৪৩ ওইগনি। কুমজা ২০০৬তগী ২০০৭ ফাওবগীনা ৱেট কেটেগোরি ৩৫, ৩৭, ৪০, ৪৩, ৪৬, ৪৯, ৫২, ৫৫, ৫৮, ৬১, ৬৪ ওইগনি। জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) কেটেগোরিগীনা কুমজা ২০০৪-০৫ ফাওবদা ৱেট কেটেগোরি ৪৬, ৪৮, ৫০, ৫২, ৫৪, ৫৭, ৬০, ৬৩, ৬৬, ৭০, ৭৫, ৮০, ৮০ মথক ওইগনি। য়ুথ অমসুং এলিট (ওপন) মেনগীনা কুমজা ১৯৮০-২০০৩ ফাওবগী ৱেট কেটেগোরিনা ৪৯, ৫২, ৫৬, ৬০, ৬৪, ৬৯, ৭৫, ৮১, ৯১, ৯১ মথক ওইগনি। য়ুথ এন্দ এলিট (ওপন) ফোর ৱিমেনগীনা কুমজা ১৯৮০-২০০৩ ফাওবগী ৱেট কেটেগোরি ৪৮, ৫১, ৫৪,৫৭, ৬০, ৬৪, ৬৯, ৭৫, ৮১, ৮১ মথক ওইগনি।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২০

# য়ু-২১দা মণিপুর জুদোনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): অসামনা য়ূম্ফু ওইদুনা থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা চথুরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২০গী য়ু-২১দা মণিপুর জুদো টিমনা গোল্ড ৪, সিলভর ৩ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন তারক্লে। য়ু-১৭দনা মণিপুর জুদো টিমনা গোল্ড ২, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ৭ ফংদুনা সেকেন্দ রন্নর অপ তারক্লে।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা মেদল লৌখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৬৩ মখাগী কাঙলূপ্তা টিইনুংঙানবীনা সিলভর, কেজি ৭০ মখাগী কাঙলূপ্তা সী ঐচ রেবিনানা গোল্ড অমসুং কেজি ৭০ মখাগী কাঙলূপ্তা এম ইন্দুবলানা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

হুমনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুর জুদো টিমনা গোল্ড ২, সিলভর ২ পূন্না মেদল ৪ লৌবা ঙমখ্রে। মেদল লৌবা ঙমখ্রবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৬৬কী কাঙলূপ্তা জগদিশনা গোল্ড, কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা এন কে সোমোজিৎনা সিলভর লৌখি। নুপীমচাগী শান্নরোয়শিং অদুনা কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা মতৌলৈবীনা গোল্ড, কেজি ৫২গী কাঙলূপ্তা এল ঙান্থোইনা সিলভর লৌখি। নীনি চনবা নুমিৎতা পূন্না মেদল ৫ লৌবা ঙমখি। মেদলশিং অদু কেজি ৭৩গী কাঙলূপ্তা কে বিশন্না গোল্ড, কেজি ৬৩গীদা এল গুগুরিয়ানা সিলভর, কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা ঐচ সোবাসিনিনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৬৩গী কাঙলূপ্তা এল সনাথোইনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৮১ মখাগীদা ঐচ বিরকমলনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। অহানবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড অমা, ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ৫ লৌবা ঙমখি। নুমিৎ হুমনি চনবা ফাওবদা পূন্না মেদল ১৪ লৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, শান্নবগী মরিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ডে ৯, সিলভর ৭, ব্রোঞ্জ ৮ পূন্না মেদল ২৪ লৌদুনা ষ্টেট রেঙ্কিংদা ৯শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

# কাং টুর্নামেন্ট অহোংবা থম্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা ইমা অঙৌবী কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা ৪শুবা সিনাম শ্যামা দেবী নীংশিং লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম থা অসিগী ১৯দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু এসোসিএসনগী খুদোংচাদবা লৈবদগী লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২, নোংমাইজিং নুমিত্তা ওইনা পাঙথোকচরগনি হায়না ওল মণিপুর কাং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্লুনা ঙসিদগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবা অনীশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০গী ওপনিং মেচতা পি টি আর সী পাৎশোইনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈবু রন ১১৭তা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অসি ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭১ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ঈ এস য়ুনা ওভর ১২.২ মায়োক্লবদা রন ৪৬ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা মায়থীবা নংখি। হয়েং পাৎশোই অমসুং সাইক্লোন লুৱাংপোকপা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। অদুগা ক্রাও অমদি ওস্কারনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি/ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নরগনি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com